

# সনালৈবাক স্পোর্টস




IMPHAL, MONDAY, OCTOBER 22, 2018 PAGE 7


*দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টনগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংগী মখূত্তা মায়থিহৌবদগী রন্নর্স অপ তাহৌরবী ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল*

*এয়রটেল দিল্লি হাল্ফ মরাথোনগী নুপাগী কাঙলুপ্তা ৫৯:১৮ মিনটতা চেন্দুনা চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখ্রবা ইথিওপিয়াগী এঠলিট এন্দামলেক বেলিহু*

## *ইন্দিয়ান সুপর লীগ ২০১৮-১৯*

# এটলেটিকো দি কোলকতা অমসুং জমসেদপুর ১-১ দা দ্রো চৎখ্রে



*জমসেদপুর অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতানা শান্নখিবা আইএসএলগী মেটচ অমগী মতাং*

*জমসেদপুর, ওক্টোবর ২১ঃ*

ঝারখন্দগী সিটি জমসেদপুরদা লৈবা জেআরদি টাটা স্পোর্টস কমপ্লেক্স ষ্টেদিয়মদা ঙসি শান্নখিবা ইন্দিয়ান সুপর লীগ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ৩শুবা রাউন্দগী লীগ মেটচ অমদা জমসেদপুর অমসুং এটলেটিকো দি কোলকতা পাঞ্জল অমমম চন্নরগা দ্রো চৎখ্রে।

এটলেটিকো দি কোলকতা অমসুং জমসেদপুরনা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু অহানবা হাল্ফ হৌরকপদগী টিম অনীমক পাঙ্গল মান্ননা শান্নবা ঙমখি। শান্নবগী অহানবা হাল্ফকী মিনট ৩০ হেন্না হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল অমত্তা চন্নবা ঙমদনা লৈখি।

শান্নবগী ৩৫শুবা মিনটতা য়ুম্থু টিম ওইখিবা জমসেদপুরনা ফংখিবা ফ্রি কিক অমগী মতেংনা টিম অসিগী শান্নরোই সর্জিও কিদোনচানা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অমা চন্দুনা মাঙজিল থাবা হৌখি।

পাঞ্জল শোথরবা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা জমসেদপুরগী মায়কৈদা বোল তোয়না-তোয়না পুশিন্দুনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখি।

অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী অহাপ্পা মিনট ৩ চঙশিল্লকপদা এটলেটিকো দি কোলকতাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা কোর্নর কিক অমা ফংখি। কোর্নর কিক অদুগী খুদোংচাবা লৌরগা এটিকেগী শান্নরোই মানুয়েল লানজারোটনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা অহানবা হাল্ফ লোইশিনখিবদা টিম অনীমক পাঞ্জল ১-১ দা মান্নরগা লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরক্লবা মতুং মেটচকী ৬৩শুবা মিনটতা জমসেদপুরগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিদা শরুক য়ারিবা টিম কাহিলনা পাঞ্জল ওইরম্বা য়াবা খুদোংচাবা অমা মাঙহনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী অকনবা লম্বা মায়োক্নদুনা শান্নরকখ্রবসু অহেনবা পাঞ্জল চন্নখিদবদগী মেটচ অদু ১-১ দা দ্রো চৎখি।

ইন্দিয়ান সুপর লীগ অসিগী হয়েং অহুমশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা এফসি পুনে সিটি অমসুং বেঙ্গালুরু এফসি শান্নরগনি।

# মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফিদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে, জপাননা সাউথ কোরিয়া ২-০ দা থোইখ্রে



*ইন্দিয়াগী শান্নরোই অমনা পাকিস্তানগী শান্নরোই লাম্থোক্নুনা বোল পুদুনা চৎপা*

*মুস্কাট, ওক্টোবর ২১ঃ*

ওমানননা য়ুম্থু ওইরগা পাঙথোক্লিবা মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি হোক্কিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা অনীশুবা রাউন্দগী মেটচ অমদা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীখ্রে, অতোপ্পা মেটচ অমদা জপাননা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইখ্রে।

শান্নবগী অহানবা মিনটতা পাকিস্তানগী শান্নরোইশিংনা খোঙৌলে থুনা তৌশিল্লকখিবা এটেক অমদা মুহমদ ইরফাননা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা মেটচকী অহানবা পাঞ্জল চন্দুনা ইন্দিয়াবু ১-০ দা ঙন্না মাঙজিল থারগা লৈখি।

মখা তানা শান্নরকপদা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনরকখিবা খুদোংচাবা কয়া পাকিস্তানগী শান্নরোইশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমদুনা অহানবা হাল্ফকী মিনট ২০ হৌজিনখ্রবা ফাওবদা পাঞ্জল হন্দাকপা ঙমহন্দনা থমখি।

শান্নবগী ২৪শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা মখা তানা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন মনপ্রিত সিংহনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ১-১ দা মান্নরবা মতুং অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ হেক হৌরকপা অহানবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা মনিদপ সিংহনা ফিল্ড গোল অমদা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ২-১ দা মাঙজিল থাবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম খরা পাঞ্জল লৈনখিদে। শান্নবগী ৪২শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা দিলপ্রিত সিংহনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা পাকিস্তানবু ইন্দিয়ানা ৩-১ দা হেন্দুনা লৈখি।

মেটচকী লেমহৌবা মিনট ১৮ রোমগী মতম অদুদা নাকল অনীদগী পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবা এটেকশিং অদু মায় পাকপা ঙম্নখিদবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা পাকিস্তানবু পাঞ্জল ৩-১ দা মায়থিবা পীদুনা রাউন্দ রোবিন অসিদা মেটচ ২ শান্নখিবদা অনীমক মায় পাক্লগা পোইন্ট ৬ ফংদুনা মকোক্তা লৈবা ঙমল্লি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অহুমশুবা রাউন্দ রোবিন মেটচতা জপানগা হয়েং অঙনবদা শান্নরগনি।

মেন্স এসিয়ান চেম্পিয়ন্স ট্রোফি অসিগী ঙসি অঙনবদা শান্নখিবা রাউন্দ রোবিন মেটচ অমদা জপাননা সাউথ কোরিয়াবু পাঞ্জল ২-০ দা থোইবা ঙমখি।

মেটচ হৌবদগী হৌনা টিম অনীমক লম্বা মান্নরকখি। মতম খরা টিম অনীগী মায়কৈদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙম্নখিদ্রবা মতুং শান্নবগী ১৮শুবা মিনটতা জপানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পেনাল্টি কোর্নর অমা ফংখি। খুদোংচাবা অদু টিম অদুগী শান্নরোই সোটা য়ামাদানা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীমক মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্নবা ঙম্নদনা লাকখি। ৫১শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা জপানগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ৱাটারু মাটসুটোমোনা ফিল্ড গোল অমগী মতেংনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ২-০ দা মায় পাকখি।

# ইথিওপিয়াগী এন্দামলাক বেহিলু অমসুং সেহে গেমেচুনা এয়রটেল দিল্লি হাল্ফ মরাথোনগী নুপা অমসুং নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে, ইন্দিয়াগীদা অভিসেক অমসুং সঞ্জিভানি জাদবনা ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোকখিবা এয়রটেল দিল্লি হাল্ফ মরাথোনগী নুপা অমসুং নুপীগী ৱিন্নর ইথিওপিয়াগী এন্দামলাক বেলিহু অমসুং সেহে গেমেচুনা ওইখ্রে। ইন্দিয়াগী কাঙলুপ্তা অভিসেক পাল অমসুং সঞ্জিভানি জাদবনা নুপা অমসুং নুপীগী ৱিন্নর ওইখ্রে।



দিল্লি হাল্ফ মরাথোন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপাগী কাঙলুপ্তা ইথিওপিয়াগী এন্দামলাক বেলিহুনা ৫৯:১৮ মিনটতা চেন্দুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

ইথিওপিয়াগী অতোপ্পা লমজেল্লোয় এমদেৱার্কনা ৫৯:২২ মিনটতা চেন্দুনা অনীশুবা পোজিসন তারগা কেনিয়াগী এঠলিট দানিয়েল কিপচুম্বানা ৫৯:৪৮ মিনটতা চেনবা ঙমদুনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

দিল্লি হাল্ফ মরাথোন অসিগী ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী কাঙলুপ্তা ইথিওপিয়াগী লমজেল্লোয় সেহে গেমেচুনা ১:০৬:৫০ সেকেন্দদা চেন্দুনা ৱিন্নর ওইবা ঙমখি।

কেনিয়াগী এঠলিট জোয়সিলিন জেপকোসগৈনা ১:০৬:৫৬ সেকেন্দদা চেন্দুনা অনীশুবা তারগা ইথিওপিয়াগী এঠলিট জৈনেবা য়িমরনা ১:০৬:৫৯ সেকেন্দনা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

দিল্লি হাল্ফ মরাথোন অসিগী ইন্দিয়া সেক্সনগী নুপাগী কাঙলুপ্তা অভিসেক পালনা ১:০৪:১৩ সেকেন্দদা চেন্দুনা ৱিন্নর ওইখি। অভিনাস সেবলনা ১:০৪:১৪ দা অনীশুবা অদুগা গোপি থোনাকলনা ১:০৪:১৫ দা চেন্দুনা অহুমশুবা তাখি।

ইন্দিয়ান সেক্সন অসিগী নুপীগী কাঙলুপ্তা সঞ্জিভানি জাদবনা ১:১৩:৫৮ সেকেন্দদা অহানবা, পুরুল চৌধারিনা ১:১৪:০১ দা অনীশুবা অদুগা মোনিকা অথারেনা ১:১৬:৫৫ দা অহুমশুবা পোজিসন তাবা ঙমখি।

# চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা জপানগী মোমোটানা ফংখ্রে





*নুপীগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন টাই ঝু য়িং (ওই) অমদি নুপাগী সিঙ্গলস চেম্পিয়ন কেন্টো মোমোটা*

*ওদেন্স, ওক্টোবর ২১ঃ*

দেনমার্ককী সিটি ওদেন্সতা চথরিবা য়ুএস দোলর ৭৭৫,০০০ গী শেলগী মনা লৈবা দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়াগী নুপী সিঙ্গলস টাইটল চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱাল থোইদুনা লৌখ্রে, নুপাগী সিঙ্গলস টাইটলনা জপানগী কেন্টো মোমোটানা ফংখ্রে।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা নম্বর ৱান সিদেদ চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালবু গেম ২-১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম এক্সপরিয়েন্স হেল্লবী চাইনিজ তাইপৈগী টাই ঝু য়িংনা সাইনাবু ২১-১৩ দা কোম্না থোইদুনা গেম অমা মাঙজিল থাখি।

অনীশুবা গেমদা ইন্দিয়াগী সাইনা নেহৱালনা কন্না হোৎনরক্তুনা টাই ঝু য়িংবু হিরম খুদিংমক্তা লম্বা পীবা ঙমখিবদগী ২১-১৩ দা গেম অদু থোইদুনা ফাইনেল মেটচ অদুদা গেম অমমম মান্নদুনা লৈখি।

দিসাইদিং গেমদা নম্বর ৱান সিদেদ ওইরিবী চাইনিজ তাইপৈগী শান্নরোই টাই ঝু য়িংনা ইন্দিয়াগী শান্নরোই সাইনা নেহৱালবু হিরম খুদিংমক্তা লাকশিন্দুনা শান্নবা ঙমখিবদগী ২১-৬ তা লায়না থোইদুনা নুপীগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলস ফাইনেল মেটচতা ২শুবা সিদেদ শান্নরোই জপানগী কেন্টো মোমোটানা চাইনিজ তাইপৈগী চৌ টিয়েন চেনবু গেম ২-১ দা থোইদুনা টাইটল লৌবা ঙমখি।

ফাইনেল মেটচ অদুগী অহানবা গেম মোমোটানা ২২-২০ দা থোইদুনা মাঙজিল থাখি। অনীশুবা গেম অদুদা চেননা থোইরবা মতুং দিসাইদিং গেম অদু কেন্টো মোমোটানা ২১-১৫ দা থোইবা ঙমখিবদগী নুপাগী সিঙ্গলস টাইটল লৌবা ঙমখি।

দেনমার্ক ওপন বেদমিন্টন টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা নুপীগী দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ পেয়র জপানগী য়ুকি ফুকুসিমা অমসুং সায়াকা হিরোটানা ৫শুবা সিদেদ অতোপ্পা জপানগী পেয়র সিহো টানাকা অমসুং কোহারু য়োনেমোটোবু ষ্ট্রেট গেমদা ২১-১৯, ২১-১৬ দা থোইরম্লগা টাইটল লৌখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেলদা অহানবা সিদেদ চাইনাগী ঝেং সিৱৈ অমসুং হুৱাং য়াকিওংগী পেয়রনা থাইলেন্দগী দেচাপোল পুৱাভারানুক্রো অমসুং সাপসিরি টেরাটানাচাইবু ২১-১৬, ২১-১৩ দা থোইরম্লগা টাইটল ফংবা ঙমখি।

টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী দবলস টাইটলনা অহানবা সিদেদ পেয়র ইন্দোনেসিয়াগী গিদিওন অমসুং সুকামুলজোনা লৌবা ঙমখি।

# নেসনেল সেলেক্সন ট্রাইয়েলদা সুট্টর মেঘানা সাজানারনা খ্বাইদগী মকোক ওইখ্রে

*ন্যু দিল্লি, ওক্টোবর ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী কোনুং ন্যু দিল্লিদা ঙসি পাঙথোক্লিবা নেসনেল সেলেক্সন ট্রাইয়েলদা মেঘানা সাজানারনা নুপীগী মিটর ১০গী সেনিয়র এয়র রাইফলদা মকোক ওইখ্রে।

ঙসি পাঙথোকখিবা নুপীগী মিটর ১০ গী এয়র রাইফল ইভেন্ট অদুদা মেঘানা সাজানারনা পোইন্ট ২৪৯.৩ ফংলগা মকোক ওইবা ঙমখি। ইভেন্ট অসিদা আয়ুসি গুপ্তনা পোইন্ট ২৪৯.০ ফংলগা অনীশুবা অদুগা আয়োনিকা পোলনা পোইন্ট ২২৭.২ ফংলগা অহুমশুবা তাখি।

নুপীগী মিটর ১০গী এয়র রাইফল অসিগী জুনিয়র সেক্সনদা হিনা গোহৈনা পোইন্ট ২৪৯.৩ ফংলগা মকোক ওইখি। নুপুর পাটিলনা পোইন্ট ২৪৮.০ ফংলগা অনীশুবা অদুগা প্রাচি চৌধারিনা পোইন্ট ২২৫.০ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

য়ুঠ ৱুমেন্সকী মিটর ১০গী এয়র রাইফল ইভেন্টতা য়ানা রাথোরনা পোইন্ট ২৪৯.৭ ফংলগা অহানবা পোজিসন, হিনা জয়েসনা পোইন্ট ২৪৯.০ দা অনীশুবা অদুগা আয়ুসি পোদ্দরনা পোইন্ট ২২৭ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

নুপাগী মিটর ২৫গী ষ্টেন্দর্দ পিষ্টোলদা ভিজয়ভির সিধুনা পোইন্ট ৫৭৭ ফংলগা অহানবা, রাজকানৱার সিংহ সান্ধুনা পোইন্ট ৫৭৩ ফংলগা অনীশুবা অদুগা অনহাদ জাৱান্দানা পোইন্ট ৫৭২ ফংলগা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

মিটর ৫০গী রাইফল প্রোনদা সুসিল ঘালেনা পোইন্ট ৬২৩.৬ ফংলগা অহানবা পোজিসন তাখি। অখিল সেওরাননা পোইন্ট ৬২৩.০ দা অনীশুবা অদুগা সঞ্জিভ রাজপুটনা পোইন্ট ৬২২.১ দা অহুমশুবা পোজিসন তাখি।

# ইন্দিয়াগী সঞ্জয় মনজ্রেকর আইসিসিগী অম্পয়ার সেলেক্সন পেনেলদা য়াওখ্রে



*মুম্বাই, ওক্টোবর ২১ঃ*

ইন্দিয়াগী হান্না বেটসমেন ওইরম্বা সঞ্জয় মনজ্রেকর ইন্টরনেসনেল ক্রিকেট কাউন্সিল (আইসিসি) গী অম্পয়ার সেলেক্সন পেনেলদা য়াওখ্রে।

পনবা য়াই মনজ্রেকর হৌজিক হৌজিক ইন্টরনেসনেল ক্রিকেটতা ফুল টাইম কমেন্টেটর ওইবগী থৌদাং পুরিবনি। সিঙ্গাপোরদা পাঙথোকখিবা আইসিসিগী মীটিং দা ইন্দিয়াগী সঞ্জয় মনজ্রেকরবু মেম্বর ৪ না শাবা অম্পায়র সেলেক্সন পেনেল অদুগীদমক মমিং লাওথোকপদা য়াওরকখিবনি।

মশাগী চহী ৫৩ শুরবা সঞ্জয় মনজ্রেকরনা কুমজা ১৯৮৭ দগী ১৯৯৬ ফাওবা শরুক য়াখিবদা টেষ্ট মেটচ ৩৭ অমসুং ৱান দে মেটচ ৭৪দা শরুক য়াদুনা য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমখিবনি।

# স্পেনগী লা লীগা ফুটবোলদা বার্সেলোনানা সিভিলাবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে ইটালিগী সেরি এ দা নাপোলিনা উদিনিসপু ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে

*বার্সেলোনা। রোম, ওক্টোবর ২১ঃ*

য়ুরোপকী মকোক থোংবা ক্লবশিংগী ওইবা ফুটবোল টুর্নামেন্টশিংগী মনুংদা স্পেনগী লা লীগাদা বার্সেলোনানা সিভিলাবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে, ইটালিগী সেরি এ দা নাপোলিনা উদিনিসপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীখ্রে।



বার্সেলোনা অমসুং সিভিলানা ঙসি শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি।

শান্নবগী ২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা ফিলিপ কোটিনহোনা পাঞ্জল অমা চন্দুনা ঙন্না সিভিলাবু খুদুম চনবা ঙমখি।

মখা তানা শান্নরকপা মেটচকী ১২শুবা মিনটতা পাঞ্জল অমা মাঙজিল থাদুনা লৈরিবা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা টিম অসিগী কেপ্টেন আর্জেন্টিনা মচা লিওনেল মেসিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা সিভিলাবু ২-০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

অহানবা হাল্ফকী লেমহৌবা মতমশিং অদু সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা ফনা কন্না হোৎনরক্লবসু পাঞ্জল অমত্তা হন্দাকপা ঙমদনা লৈখি। অমরোমদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনসু অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমখিদবদগী ২-০ দা মাঙজিল থারগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপা মেটচকী ৬২শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা সিভিলাগী শান্নরোই টোমাস ভেক্লিকনা চৎন-পথাপকী ৱাংমদা বার্সেলোনাগী শান্নরোইদা ফাওল তৌরুবগীদমক মেটচ অদু কন্দক্ট তৌখিবা রেফরিনা বার্সেলোনাগী ফেভরদা পেনাল্টি অমা পীখি।

পাঞ্জল শোয়দনা ওইবগী খুদোংচাবা লৈরবা পেনাল্টি কিক অদু বার্সেলোনাদা শরুক য়ারিবা উরুগ্বে মচা লুইস স্বারেজনা পাঞ্জল ওন্থোক্তুনা ৩-০ দা সিভিলাবু হেন্দুনা লৈখি।

৭৯শুবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোইশিংনা চথরকখিবা এটেক অমদা পাব্লো সারাবিয়ানা শোথখিবা পাঞ্জলশিং মনুংদা অমা হন্দোকপা ঙমখি। ৮৮শুবা মিনটতা বার্সেলোনাগী শান্নরোই ইভান রাকিটিকনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ৪-১ দা মাঙজিল থাখি। শান্নবগী অরোইবা মিনটতা সিভিলাগী শান্নরোই লুইস মুরিয়েলদা পাঞ্জল অমা চনখ্রবসু মেটচ অদু বার্সেলোনাগী মখূত্তা পাঞ্জল ২-৪ দা মায়থিবা নংখি।

ইটালিগী মকোক থোংবা ফুটবোল টুর্নামেন্ট সেরি এগী ঙসি শান্নখিবা লীগ মেটচ অমদা নাপোলিনা উদিনিসপু পাঞ্জল ৩-০ দা মায়থিবা পীরমখি। মেটচকী অহানবা পাঞ্জল অদু শান্নবগী ১৪শুবা মিনটতা নাপোলিগী শান্নরোই ফাবিয়ান রুইজনা চনবা ঙমখ্রবা মতুং ১-০ দা হেল্লগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নরকপদা টিম অনীগী মায়কৈদগী মতম কুইনা অহেনবা পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লাকখি। শান্নবগী ৮২শুবা মিনটতা নাপোলিনা ফংখিবা পেনাল্টি অমদা দ্রাইজ মার্টেন্সনা পাঞ্জল অমা চল্লবা মতুং ৮৫শুবা মিনটতা টিমমেট মার্কো রোগনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা মেটচ অদু ৩-০ দা মায় পাকখি।